# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ তাইরেল

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

***তাইরেল*** নৎত্রগা তাইরেন হায়রিবা পাম্বী অসি মীতৈ নৎত্রগা মীতৈ ফুরুপকা তৎন-থানবা য়াদ্রবা পাম্বী অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। তাইরেল পাম্বী অসি ইংলিসতা রেদ সেদর (Red Cedar) নৎত্রগা তুন (Toon) নৎত্রগা তুনা (Toona) নৎত্রগা বর্ম্মা সেদর (Burma Cedar) নৎত্রগা ওষ্ট্রেলিয়ান সেদর (Australian Cedar) নৎত্রগা কুইন্সলেন্দ রেদ সেদর (Queenslalnd red cedar) নৎত্রগা ইন্দিয়ান মেহোগেনি (Indian mohagany), হিন্দিদা তুনি (Tooni), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *তুনা সিলিয়াতা (Toona ciliata M. Roem)* নৎত্রগা সেদ্রেলা তুনা *(Cedrela toona Roxb. ex Rottler)* নৎত্রগা *সুইতেনিয়া তুনা (Switenia toona (Roxb ex Rottler) Stokes* নৎত্রগা *সুরেনস ওষ্ট্রেলিস (Surenus australis Kuntze)* হায়না কৌই অমসুং মেলিয়েসী (Meliaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

তাইরেল হায়রিবা পাম্বী অসি দেসিদুৱস নৎত্রগা সেমি-দেসিদুৱস হায়বদি চহী ১ গী মনুংদা মতম খরা মনা কেনগনবা মিটর ৬০ ফাওবা ৱাংবা অদুগা মউ অদু মিটর ৩ ফাওবা কোনবা উজাউ পাম্বী অমনি। তাইরেলগী উ অসি মচু ঙাংশং ঙাংই লোয়ননা থোৎলি। হায়রিবা উ অসি মখল মখা কয়াগী উপু-কাংথোল অমদি য়ূম-কৈ শাবদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নে অমসুং ক্লাস টুগী কাঙলুপ্তা থম্মী অমসুং শুম চাগন্দে।

তাইরেল পাম্বী অসি এসিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদা মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মফমশিং অসি তাইরেল পাম্বী অসি য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা মফমশিংনি। মালেমগী মফম কয়ামরুমদা তাইরেল পাম্বী অসি মরুওইনা ত্রোপিকেল অমসুং সব-ত্রোপিকেলগী মফমশিংদা পাক শন্না থানৈ। হৱায়গী ইথৎশিং অমসুং খা অমসুং নোংপোক থংবা অফ্রিকাগী মফমশিংদা তাইরেল পাম্বী অসি ফজনা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। জিম্বাবৱেদদি



তাইরেল পাম্বী অসি খূৎশেম্না থাখিবদগী মহৌশাগী মওংদা হৌখরে।

তাইরেল পাম্বীদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি Sederin, 12α-Hydroxystigmast-4-en-3-one, Coumarin glycosides, Flavonoids, Phytosterol, Phenols অমসুং Limonoid শিংনি। ইলিমেন্টশিং মরুওইনা কেলসিয়ম, মেগনেসিয়ম, জিঙ্ক, নিকেল, আইরন, পোটাসিয়ম অমসুং মেঙ্গানিজমশিং তাইরেল পাম্বীদা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। রেজিনসু চাং ৱাংনা য়াওই।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি তাইরেল পাম্বীগী মনা অদু শুগাইদুনা থোম্লগা মখল মখা কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না তাইরেল পাম্বীদা য়াওরিবা সেদেরিন হায়রিবা কম্পাউন্দ অসি বেক্টিরিয়া মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী। বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না তাইরেল মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু কেজি ১ দা মিলিগ্রাম ৩০০ গী অনঙবা (Concentration) অদু উনশা চাথৎপা মরু ওইনা চাকখাও চাথৎপদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংই। উনশা মথা-মথা পোমখৎতুনা হাক্কচবদসু তাইরেল মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই।

তাইরেল পাম্বী অসি মণিপুরীশিং মরুওইনা মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈ লাইনীং চৎপা মীওইশিংগী থোইদোক হেন্দোক্লা মরুওইবা পাম্বী অমনি হায়না লৌনৈ। হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা শুমাংদা তুলসিবোং শেমদুনা তুলসি পাম্বী থাবগুম মীতৈ লাইনীং চৎপশিংনা তাইরেল পাম্বী অসি তোয়না থানৈ। তাইরেলগী মশানা ঈশিংদু লুপ্লগা খিক্তোক্তুনা ফত্তবা লাই-তীল তানবগী চৎনবী অসি মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংনা কুইরবা মতমদগী চৎনবী ওইনা লাক্লি। লাই হরাউবদা মাইবীনা লাই তোংদুনা লাক্ল-ফান্নবা ঙমদ্রবদি তাইরেলগী মশা অদু ঈশিংদা লুপ্লগা কনবদা মশা অদু ইংথহল্লি। য়ূমগী থোঙদা তাইরেল মশা অমা থেৎলবদি ইমুং অদুদা ফত্তবা লাই চঙবা ঙমদে হায়না থাজনৈ। ওষ্ট্রেলিয়াগী মীওইশিংনা তাইরেল পাম্বী অসিবু রেদ গোল্ড (Red Gold) হায়বদি অঙাংবা সনা হায়না শিংথানৈ। মরমদি পাম্বী অসিগী উ অসি মখল মখা কয়াগী উপু-কাঙথোল, থোঙ-থোঙনাও অমসুং জহাজ শাবদা পাক শন্না শীজিন্নে। কুইরবা মতমদগী তাইরেলগী উদগী অঙাংবা মচু অমা শেম্নে। তাইরেলগী উ অসি মখল মখাগী মীত্তমশিং শাবদসু শীজিন্নে।

---

# মেজোরিটি ফংবা ফংদবা, বি জে পিনা মণিপুরদা মথংগী লৈঙাক শেম্বা হায়বসি শোয়দ্রবনি

ওপিনিয়ন মেকর



ডা . টি ঐচ সুরেস
Ex-Director,Health & WHO Fellow

***ভোট*** থাদনবগী নুমিৎ লোইখিবগা লোয়ননা, মণিপুরীশিংনা মসিগী পাউখুম ঙাইনরি শ্বর শাংনা শাংনা হোন্দুনা। ব্লোকেদকী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমনা অমা হুন্নবগী মতম হৌখ্রে। কেন্দিদেটশিংনা মাগী মাগী কেন্দ্রদা লৈজবী থাদুনা মখোয় মখোয়গী ৱার্কৰশিং থাদোক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎনখি। লাক্লিবা ৱাফমদি - কনানা মায় পাক্কদৌরিবনো, বি জে পিরা, কোংগ্রেসলা হায়বসিনি। নৎত্রগনা অনীসিনা মেজোরিটি ফংদদনা হঙ এসেমব্লি ওইদৌরিবরা? থা অমমুক্কী মমাঙদা ওপিনিয়ন পোল অমনা বি জে পিনা মেজোরিটি ওইনি লাউথোকখ্রবসু, হৌজিক ময়েক ইশেং শেংদনা লৈবগুম তৌরি। ঐঙোন দদি বি জে পিনা খজিক্তং মাঙজিল থারবসু অনীসি কন্না লম্বা তৌনরি।

অসুম ওইদুনসু, পি এম মোদিগী লাংজিং অচৌবদা ফেব্রুৱারী ২৫ দা তৌখিবা পব্লিক মিটিংদুদা মীয়ামদা এসুরেন্স ৩ খক থমখি - ১) ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টসিনা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা নত্তনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিসু শোকহল্লোই - রিপিল মণিপুর ইন্টিগ্রিটি। (২) করপসন মুথৎপা অমদি মরী লৈনবশিংবু দন্দি পীবা অমদি (৩) নহারোলশিংদা থবক পীবা। হায়রিবশিংসিনা বি জে পিদা হেন্না খুদোংচাবা পীবগুম তৌরি। অদুবু মরুওইবা ৱাফমদি কয়া য়াম্না মশীং হেলহন্দৌরিবনো হায়বসিনি। পি এমগী মোনোলোগ অমদি মীয়াম্বু শুমহৎপা ঙম্বদুনা বি জে পিদা খরা মাঙজিল থাহল্লি। অদুনা পার্টিসিনা মেজোরিটি ফংবগী মওংসি য়াম্না ৱাংবগুম তৌরি। পি এম অমদি পার্টি অসিনা মণিপুরগী বাউন্দরি অমদি মণিপুর ইন্টিগ্রিটি শোকহল্লোই হায়না হন্না হন্না মীয়ামদা লাউরবনা, মীয়াম্না বি জে পিগী মখাদা অনৌবা লৈঙাক অমা পামগুম তৌরি।

নখোয়গী ওপিনিয়ন মেকর অসি শেম্বীবা মপূ নৎত্রগা পোলষ্টর অমা নৎত্রবসু, ঐগী কম্মন সেন্সনা হায়রিবদি বি জে পিনা +৩০, কোংগ্রেসনা ১৫-২০ অদুগা পার্টি মচা মচা + ইন্দিপেন্দেন্সনা ১০-১৫ সিট ফংগনি হায়না ৱাখল্লোন্দা ফাওই।

**কোংগ্রেসকী শোয়হৌবা ঃ** অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা হৌরকপা অদুদা ইবোবীগী সপোর্ট অসি অঙকপা ফংনা ৱাংলম্মী । মহাক্লা ইকনমিক ব্লোকেদ অদুবু সিজন পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা থেংনরম্লবদি মসিনা মহাক্কী ৪ শুবা টার্ম ওইরমগদবনি হায়রিবদি ইবোবীনা এন ঐচ ২ অদু হাংদুনা সেন্টরদা ব্লেম তৌদনা পেট্রোল অমদি মথৌ তাবা পোৎশিং ফংহন্দুনা (হৌজিক ফংলিবা অসুম্না) তৌরম্লবদি এসেমব্লি মীখলদু মাগী মখূৎতা তারম্লগদবনি। মতমদুদা মখোয় মশেল খৎনবগা লোয়ননা বি জে পিগী ফীভম য়াম্না ফরমদে, মীয়াম্না পাম্নরমদে। মতমদুদা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা ব্লোকেদ অদুগীদমক্তা বি জে পিদা অয়াম্বা ব্লেম তৌনরম্মী। এন দি টি ভিগী Monideepa Banerjie না ঐগী য়ূমদা লাক্তুনা ইন্টরভিয়ু লৌবা মতমদুদা মহাক্লা ব্লোকেদসিগী মতাংদা পার্টি অনীসিগী মেরিট/দিমেরিট হংলম্মী। ঐহাক্লা খুমখি - দিষ্ট্রিক্ট শেম্বসি ইবোবীগী পোজিটিভ পোইন্টনি। অদুগা ব্লোকেদ অসিনা মহাক্লা মিসহেন্দল তৌবদগী কোংগ্রেস পার্টিগী নেগেটিভ পোইন্টনি। মসিদা অমুক ইনকম্বেন্সি ফেক্টর তিনশিল্লবদি কোংগ্রেসকী নাম্থোক্লবা লম্বী অসি য়াম্না অরুবা অমা ওইরি।

বি জে পিগী মরায়বক ফবনা - সেন্টরনা অহেনবা ফোর্স পীদুনা, য়ু এন সীবু ৱার্নিং তৌদুনা অমদি পার্টি অহুমগী ওইবা মিটিং শিন্দুনা মাগী তৌফম থোকপা থবক তৌরে হায়বসি মীয়াম্না খঙলক্লে। মীয়াম্না সেন্টরগী রোল অসি খঙলকপা অমদি পাম্লকপগুম তৌরি। হায়রিবসি ঐনা Monideepa Banerjie দসু তমখি।

অদুবু তাঞ্জা অসিদা পন্দবা য়াদবা ৱাফম অমদি - পেট্রোল অমদি মথৌ তাবা পোৎলম ময়াম অমা হৌজিক ফংলিবসি ওনরেবল হায় কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা মখোয়গী তৌফম থোকপা থবক তৌহনবদগীনি হায়বসিনি। মসিগী ক্রেদিটতি হায় কোর্টতা পীগদবনি, লার্নেদ জজদা পীগদবনি, অদুগা কনামত্তনা মসি লান্না লমজিংবীরোইদবনি। লাইবক ফবনা হৌজিক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমগা অমগা হুন্নবদু য়াম্না ৱাংনা উবা ফংলি। অদুনা হায়রিবা সিনারিও + মণিপুর ইন্টিগ্রিটি + মোদিগী ইলেক্সন স্পীচশিংসিনা ভোটরশিংসি বি জে পিগী মায়কৈদা লাকখিবগুম তৌরি।


**কনানা লৈঙাক শেমগনি ঃ** মথক্তা পনখ্রিবদুনি, বি জে পিনা মশাগী ওইবা লৈঙাক অমা অদুম শেমজরগনি। ২ শুবা মওংনা - বি জে পিনা সিট খরা ৱাৎতুনা এবসোলুট মেজোরিটি ওইবা ঙমদ্রবদি, ইন্দিপেন্দেন্ট অমদি অপীকপা পার্টিশিংগী মতেং লৌদুনা গভর্ণমেন্ট শেমগনি। ৩ শুবদা - ওইগদবা চাং য়াম্না ৱাৎপা হায়বদি কোংগ্রেসনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি (এবসোলুট মেজোরিটি নত্তবা) ওইরক্লবদি - Aya Ram Gaya Ram লাক্তুনা কোংগ্রেস পার্টি থুগাইদুনা বি জে পিদা চঙদুনা গভর্ণমেন্ট শেমগনি; মসি হন্দক্তা থোকখিবা মেঘালয়া ষ্টাইলদুনি।

অদুনা ঐগী প্রিদিক্সন ঃ মেজোরিটি ফংবা ফংদবা বি জে পিনা মণিপুরদা মথংগী লৈঙাক শেম্বা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

---

## মরোল থোকপা লাই



*মণিপুর লৈঙাক্লা মখৌ পোঙনা-পোঙনা লাউরি অদু তৌনি-অদা তৌনি হায়দনা অদুবু মতম কয়াগী মমাঙদগী হন্না য়েংশিনবীদনা লৈরিবা ইম্ফালগী নাওরেমথোং থোংগী ফুটপাথকী ফীভম - (ফোটো ঃ মনোরঞ্জন)*